# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-05-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২৬-০৫-২০২৫, নিংথৌকাবা)

-- --

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বা থবক লেপ্তুনা চথরি অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই কয়াসু ফাগৎলি।

২) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

**অমসুং**

৩) নিতি আয়োগকী মতুং ইন্না ভারতনা জপানদগী হেনগত্তুনা মালেমগী শেল থুমগী ফিভম খ্বাইদগী ফবা ৪ শুবা লৈবাক ওইরে।

**------**

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুন্দ্বা থবক লেপ্তুনা চথরি অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মাওই কয়াসু ফাগৎলি। পুলিসকী পাউনা হায়-মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১০ দা চেকপোইন্টশিং হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং য়েংশিনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ইন্তিল্লিজেন্স বেজ কোম্বিং ওপরেসন অমদি কোরদোন এন্দ সর্চ

ওপরেসন চথবদা পুলিসকী কাংবুনা আইননা থিংখবা কে.সি.পিকী এক্তিভ কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা পাৎশোই পুলিস স্তেসননা কোনবা পাৎশোই পার্ট ৱানদগী ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা, মণিপুর পুলিসনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী এক্তিভ কাদর অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা মোইরাং পুলিস স্তেসননা কোনবা সেন্দ্রা লম্বীদগী ফারে। মীওই অদু, চুরাচান্দপুর জিলাগী মুরতে রোদ, ঙাথালদগীনি। হৌজিকা মোইরাং কোলেজ রিলিফ কেম্পতা লৈবনি হায়রি। মীচম মীয়াম য়াওনা করবারৱালা অমদি সরকারগী লোইশঙশিংদা আইন কাইনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা দ্রাইভ চথবদা য়ুঙৌ লিতর ৪৪৪ অমদি ইন্দিয়ন মেট ফোরেইন লিকর হাফ বোতল ২৬ অমদি ফুল বোতল ২১ ফাগৎলে। মীয়ামদগী হুরানখিবা গারিশিং ফাগৎনবা পুলিসনা চথরকপা দ্রাইভ মখা তানা চথরি হায়না পুলিসনা খঙহল্লকপগা লোয়ননা হুরানখিবা গারি ২ সু ফংবা ঙম্লে হায়রি।

**ঈশিং(এল) ঃ** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙরাংদগী লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মরম ওইরগা মফম খরদা ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়ামগী চথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা ঈরম নলা পাথোক্তুনা চেল্লকপা ঈশিংনা থুমজিল্লে। মসিগীসু মথক্তা ইম্ফালগী অকুৎপা মফমশিং নোংগী ঈশিংনা থুমজিনবদগী খুদোংচাদবা থোকহল্লে।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেসন সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলা কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই । সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল

অদুনা হায়-মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্কী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ্তুগী হৌরগা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

**নিতি আয়োগঃ** নিতি আয়োগকী সি.ঈ.ও-বি.ভি.আর সুব্রমানিয়মনা হায়রি-ভারতনা জপানদগী হেনগত্তুনা মালেমগী শেল থুমগী ফিভম খ্বাইদগী ফবা ৪ শুবা লৈবাক ওইরে। মহাকা হায়-লাক্লিবা চহী ২ মখায়দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা ৩ শুবা মফমদা লৈরিবা জর্মনিগী মহুৎ শিন্নবা ভারতনা কন্না হোৎনরি। নিতি আয়োগকী ১০ শুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রবা তুংদা নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সুব্রমানিয়মনা হায়-হন্তরনেসনেল মোনিতরি ফন্দ(আই.এম.এফ)গী দেতা মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ইকোনোমি হৌজিক দোলর ত্রিলিয়ন ৪ য়ৌরে। ভারত্তগী মাংজিল থানা লৈরিবা লৈবাকশিং অদুদি-অমেরিকা, চাইনা অমসুং জর্মনিনি। আই.এম.এফনা হন্দক্তা পুথোকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী মাংজিল থানা শেল থুমগী লমদা চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইরি অমসুং ওইখিগনি অমদি লাক্লিবা চহী অনি অসিদা লৈবাক অসিগী গ্রোথ চাদা ৬ য়ৌরবা য়াই হায়না পারি। আই.এম.এফকী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী জি.দি.পিগী চাং হৌজিক দোলর ত্রিলিয়ন ৪.৩ ওইরিবা অসি ইং ২০২৮দা দোলর ত্রিলিয়ন ৫.৫ য়ৌদুনা শেল থুমগী লমদা মালেমগী খ্বাইদগী ফফবা ৩ শুবা লৈবাক ওইরগনি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-মীয়ামগী য়েংদুনা থৌরাং কয়া পায়খৎপনা নেসনেল দেমোক্রেতিক এলাইয়েন্স(এন.দি.এ)গী সরকার অসি চাউখৎ থৌরাং রোমদা মাই পাকা চংশিনবা ঙল্লে। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা এন.দি.এনা সরকার পায়বা মুখ্য মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শ্রী শাহনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা শোথরবা কাংলপগী মীওইশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমসুং নৌনা শেমদোক্লবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মখাদা মীপুম খুদিংমক্তা মখোয়গী হক ফংহন্নবা মীফম অসিগী মরুওইবা পান্দম ওইরি। মহাকা হায়-এন.দি.এনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী কান্নবা মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থবক পায়খৎলি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিনা চত্থখিবা ওপরেসন সিন্দুর অসি লান্মীগী মিসন খক নত্তনা লৈবাক অসিগী অচেৎপা ফিরেপ, থৌনা অমসুং মালেমদা শক্তি হেনগৎলক্লিবা লৈবাক অসিগী অনৌবা শক্লোন তাকপনি। অকাশবানিগী থোংদা ঙরাং শন্দোকখিবা মন কি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা ওপরেসন সিন্দুর মাই পাকা চত্থবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লান্মীশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি অমসুং লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী লোৎফম খক্তমক অমাং অতা থোকহনখিবা অদুবু থাগৎখি।

**--সাউন্দ বাইট--মোদি**

**ইসি ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন্না গুজরাত, কেরলা, পঞ্জাব অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মঙাগী মরক্কী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি নোতিফিকেসন থোক্কনি অমসুং মথং থাগী ২ ফাওবদা মীরেপ চে পীশিনবা য়াগনি। মথং নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌগনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ জ্ন ৫ নি, অদুগা মীখলগী ভোৎনা জ্ন ১৯ দা থাদনগনি। ভোৎ মশিং জ্ন ২৩ দা থিগনি।

**মীতিং ঃ** স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রালয়না সেন্ত্রেল এপরেন্টিষ্টসিপ কাউন্সিল (সি.এ.সি)গী ৩৮ শুবা মীফম ঙসি নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা কৌরি।

চেরোল অমদা মন্ত্রালয়না হায়- স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রি জয়েন্ট চৌধরিনা সভাপতি ওইদুনা মমাং চহিগী ওক্তোবরদা অমুক হন্না শেমখিবা কাউন্সিল অসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা এপরেন্টিষ্টসিপ ত্রেনিং পীবগা মরী লৈনবা সরকারগী মরুওহবা থৌশিলশিংদা লমজিং লমতাকপদা চাউনা থৌদাং লৌরি। মীফম অসিগী মাংওইননা শ্রী চৌধরিনা হায়- এপরেন্টিষ্টসিপকী তুংগী মরাইবক শিক্ষা,
মীফম অসিদা দিজিতেল অমসুং ভারচুয়েল ওইনা এপরেন্টিষ্টসিপ ফংহনবা য়াওনা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কোকোমিনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না মীয়ামা চংশিনখিবা ইহৌগী পাউশিং ঙসি ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরক্লি।

হুইয়েন লানপাউদা-গভর্ণরনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়দুনা মীয়ামা রাজ ভবনদা থোমজিল্লকপদা সেক্যুরিতিগা চাউনা মুকখ্রে হায়না বেনর হেদলাইন পীরি। সেক্যুরিতিনা তিয়র গ্যাস কাপ্পদা নুপী ৮ শোক্লে। লালক্তা জোনোস্থোন স্কুলদা কেন্দিদেটশিং য়ু.পি.এস.ঈগী প্রিলিমস এগজাম থাখ্রে হায়বসিনা সব-হেদলাইন পীরি । পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং অমসুং পোকফমদসু অহানবা বেনর হেদলাইন পীদুনা ফোবা থেংনরি। পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, তামেংলোং তাইমস অমসুং মোর্নিং বেলদসু পাউ অসি অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলক্লি।

কোকোমিনা মনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী মীহুৎশিংগা মে ২৭ তা ৱারি শারগনি হায়বা হেদলাইন অসি দ মোর্নিং বেলগী অনিশুবা হেদলাইননি। পাউ অসি-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরে।

এম.এল.এশিং পুন্দবগী ৱাফম মীয়ামদা তাইনরক্লে, সি.এস.ওশিং পুশিল্লু, এম.এল.এশিং পুনবদি অরাইবনি হায়না এম.এল.এ গোবিন্দাসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলক্লি।

জিরি ইম্ফাল রেলৱেগী তন্নেলগী থবক ২০২৭ তা লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়বা হেদলাইন অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোঙবা থেংনরে।

এন.দি.এ চিফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফমা লৈবাক অসিদা কাষ্ট সেন্সস পাঙথোকপা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমাহদা ফোঙলক্লি।

হাই-কোর্টকী অথিংবা লৈনা লৈনা থৌবাল তুরেলদা পাক্তকনা নুং লৈঙোই পেল্লক্সবা থেংনরে হায়বা পি.এফ.এগী ৱাফম সনালৈবাক্কী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

ঙরাং চংশিনখিবা খোঙজংদা রেপিদ এক্সন ফোর্সনা নুপীশিংদা চথখিবা থৌওংবু ফোক্সনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস

ক্রোনিকলদা ফোঙবা থেংনরে।

কোবিদনা মরম ওইরগা চহী ২১ শুরবা মীওই অমা লৈখিদ্রে, মসিগা থারগা মহারাস্ত্রদা নৌনা লায়না অসিনা শিহনখিবা মীওই মরি শুখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা ফোঙবা থেংনরে।

সিরুই লিলি কুম্ন্ধে শান্তি ওইনা লোইশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেনরে।

**--পাউ লোইজরে--**